## জে এ সীনা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা ওগষ্ট ১৫তা মীহাৎ থীনা হাৎপীখ্রবা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম অঙম্বগী মীশি অসি য়ানিংদে, ওগষ্ট ২০ ফাওবগী মনুংদা চেন্নবশিং ফাদুনা চৈরাক পীয়ু হায়না থাখিবা মতম অদু ঙরাং লোইখিবগা লোয়ননা মীশি অসিদা চেন্নরিবশিং পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ লাইশ্রম অঙম্বনা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না ঙসিদগী জে এ সী অমসুং ওল ক্লব ওর্গনাইজেসন, নিংথৌখোংগা লোয়ননা মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং ফাদুনা চৈরাক পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম ফম্না অমদি লম্বীগী মতায়দা লেপ্পুনা মীহাৎ অসি য়ানিংদে, চেন্নবশিং চৈরাকপীয়ু হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি। মখা তানা সী এস ওশিংগা লোয়ননা এস ও পি ঙাক্না খোঙজং চঙশিন্নবসু শেম-শারে হায়না জে এ সীগী কনভিনর টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

### Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | 2414478 |
| J.N. Hospital | 2450385 |
| DG Control | 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | 101 |
| Moirang | 8415925197 |
| Churachandpur | 8415925191 |
| Thoubal | 8415925203 |
| Kakching | 8415925194 |
| Jiribam | 8415925193 |
| Mayang Imphal | 8415925196 |
| Bishnupur | 8415925190 |
| Moreh | 8415925198 |
| Kangpokpi | 8415925195 |
| Ukhrul | 8415925205 |
| Senapati | 8415925199 |
| Chandel | 8415925192 |
| Singhat | 8415925201 |
| Sugnu | 8415925202 |
| Yairipok | 8415925206 |

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.440267 |
| US Dollar | 74.897038 |
| British Pound | 98.495834 |
| Australian Dollar | 53.795516 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.830534 |
| Japanese Yen | 0.709113 |
| Malaysian Ringgit | 17.922413 |
| Singapore Dollar | 54.723187 |
| South Korean Won | 0.062988 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.972543 |
| Thai Baht | 2.374217 |
| Myanmar Kyat | 0.05498 |
| Bangladesh Taka | 0.88483 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 52511.00 |
| Mumbai | – | Rs | 52165.00 |
| Delhi | – | Rs | 52045.00 |
| Kolkata | – | Rs | 52577.00 |

## GAS NEWS

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 09/07/2020
VALID FROM : 02/07/2020
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WIHTIN FOUR (4) DAY
KWAKEITHEL : 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI : 7085732827
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL : 7627964838 & 7627964917
NAOREM LEIKAI 9863131337
CONTACT TIMING: 09.00 TO 11.00 AM

**LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK THANGA**
Booking upto : 12/07/2020
Valid from : 05/07/2020
***Stock: 210***
Timing: 08:00am to 11:00am
Home Delivery Only.
Please Contact: 7628026040, 9378112903

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking dt. 22/06/2020
**Sl.No.upto - 150**
Valid from : 20/06/2020
**Sl. No. - 71**
Timing : 7.00 a.m.to 10.00a.m.
Home Del. Only. Cont. No. 7085557686, 9366502930

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto : 14/07/2020
Valid From : 14/06/2020
Home Delivery Only
Contact Nos. 8730954041, 8259969582
Call Timing: 08.00am –11.30am

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking upto : 30/06/2020
Valid from : 29/06/2020
***STOCK : 306***
(HOME DELIVERY SERVICE),
**CONTACT NOS.**
1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING vv CONTACT NO. 7085972248.
TIMING : 8.00 AM TO 12.00 NOON.

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-29/07/2020
Valid from : 20/07/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto : 24/06/2020
Valid from : 23/06/2020
***Stk. : 306***
Timing : 6.00am to 9.00am.
Home Delivery (Contact no. 6909963855/8119073029)

**RBD INDANE SERVICE**
Booking upto : 07/07/2020
Valid from : 25/06/2020
***Stock : 267***
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon( Numit khudinggi yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact No. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

# নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসীগী মরমদা পংঙাং ঙাংবনা করি অহোংবা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো : দেসাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী (এন ঈ পি) ২০২০গী মরমদা মীদিয়াদা পংঙাং ঙাংবনা করি অহোংবা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো হায়না দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামদা ইখিবা ওপন লেট্টর অমনা হংলক্লি।

দেসামগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইদিসননা খুৎয়েক পীরগা ইখিবা ওপন লেট্টর অদুদা হায়, দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন (দি এম সী টি ঈ)গী হৌজিক হৌজিক প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইরিবা ডা. ঐচ ইবোমচা শর্ম্মা অসি মহাক্না প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা লাকখিবদগী কন্ট্রোভর্সিএল ওইবা প্রিন্সিপাল অমনি। মরমদি মহাক্না কুমজা ২০০৬কী মার্চ ১ দা এন জি কোলেজদগী দি এম সী টি ঈগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা লাকখিবা মতম অদুদা দি এম সী টি ঈগী আর আর ২০০২গী অমদি এন সী টি ঈ আর আর ২০০৬কী মতুংইন্না ক্বালিফাই ওইখিদে। মরম অদুনা মহাকপু প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা হাপখিবা অসি শীংনদুনা ডা. খুমুকচম অজিৎ কৌবা ওজা অমনা কোর্টতা কেস তৌখি। মহাক আর আরগী মতুংইন্না ক্বালিফাই ওইদবদগী কোর্টনা মহাক্না লাকখিবা এন জি কোলেজদা হলহনখি। মদুগী মতুংদা ডা. ঐচ ইবোমচানা পাৱর শীজিন্নরগা ডা. অজিৎপু নমদুনা কেস অদু ৱিথদ্রো তৌহনখি। মহাক্না ৱিথদ্রো তৌখ্রবনিনা ডা. ইবোমচাদা মেরিট পীদুনা কুমজা ২০০৭কী মে ২৯দা মখা তানা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল অমা হাপত্রিবা ফাওবা মহাকপু প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা হাপখি। ডা. ঐচ ইবোমচা এদমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সপরিয়েন্স লৈতবা প্রিন্সিপাল ওইবনা মহাক্না প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হেক ওইবা হৌরকপদগী বি এদ কোলেজ অসি নোংম-নোংমগী অসুম অসুম মরাই চাইথরকখি অমদি কুমজা ২০২০ দদি কোলেজ অসি এন সী টি ঈনা কোর্স রিকগনিসন ককপগী থাক য়ৌনা লৈখা তারকখি। মসিদগী দেসামনা মণিপুরদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্নবগীদমক হোৎনবদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌগদৌরিবা কোলেজ অসি কন্ননবগীদমক হোৎনবা হৌরকখি। দেসামনা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙলকখি মদুদি কোলেজ অসিগী ওইরক্লিবা অরুবা ফীভম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা লম্বীদি গভর্ণমেন্টনা ক্বালিফাই ওইদবা মীওই অমবু প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা হাপচিন্দুনা থম্বদগীনি। মরম অদুনা দেসামনা দি এম সী টি ঈ অসি কন্ননবগীদমক খ্বাইদগী ইহান হান্না তৌগদবসি ক্বালিফাই ওইদবা প্রিন্সিপাল অসি লৌথোক্লগা অনৌবা প্রিন্সিপাল অমা হাপ্পনি হায়না চেৎনা থাজখি অমদি মসিবু থবক্তা ওন্থোকপীনবা লৈঙাক্তা ঙসি ফাওবা তক্নদুনা লাক্লি হায়নসু চেরোল অদুদা পল্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মসিগী মতুংদা মশাগী খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী ডা. ঐচ ইবোমচা মশানা হান্না লাকখিবা কোলেজ অদুদা হঞ্জরগে হায়না দিরেক্টরদা হায়খি। মসিগী মতুংইন্না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্না রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল অমা হাপত্রিবা ফাওবা চৈরক্কী ওইনা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ অমা হাপ্নবগী প্রোসেস তৌখি। মসিগীদমক কোলেজ অসিগী ওজাশিংগী মরক্তগী সিনিয়র মোষ্ট ওজা ৫ গী লিষ্ট অমা মিনিষ্টরদা লানখৎখি। হৌখিবা জুলাই ১৩ দসু মিনিষ্টর মশাদা ডা. ঐচ ইবোমচানা অমুক হন্না মহাক হান্নগী কোলেজ অদুদা হঞ্জরগে হায়বা ৱারোল অমা পীশিনখি।

ডা. ঐচ ইবোমচানা মাগী হান্নগী কোলেজদা হঞ্জরগে হায়বসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌজে। মসিনা কোলেজ অসিগী লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসি সোল্ভ তৌরগনি। মসিদা মিনিষ্টরনা য়ানিংদ্রিবসি করি মরম লৈবগীনো। চীফ মিনিষ্টরনা য়াদবগীরা নৎত্রগা মহাক অসি প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা থমদবা য়াদবগী মরম করি লৈবগে। পুম্নমক অসি অমত্তা নৎত্রবদি রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল অমা হাপত্রিবা ফাওবা মরক্কী ওইনা মতিক চাবা এন সী টি ঈ অমদি য়ু জি সীগী নোর্মসনা য়াবা মীওই অমা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হাপ্পগা লোয়ননা অথুবা মতমদা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল হাপ্পনবা থবক পায়খৎপীবদা লৈরিবা খুদোংচাদবা অদু করি-করিনো। দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী প্রোব্লেম মচা অসি ফাওবা অচুম্বা মওংদা লোইশিনবা ঙমদ্রগা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী ২০২০গী মরমদা মীদিয়াদা ৱাফম কয়া থম্বনা করি অহোংবা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো। দেসাম অমদি মহৈরোয় খুন্নাইগী চিংনবা অসি কোকহন্ননবগীদমক ৱাফমশিং অসিগী পাউখুম পীবীয়ু হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা ইখিবা ওপন লেট্টর অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি।

## লোলগী মতাংদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে, মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট২১ (ঐচএন এস) : মণিপুরী লোলবু অসাম লৈঙাক্কী এসোসিএট ওফিসল লোল ওইহনগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি লখিপুর খুমন বস ষ্টেন্দ অমদি সোনাই ওটো ষ্টেন্দদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

এম ৱাই এফ এনা অসাম মণিপুরী মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (এ এম এম পি এ এল), ওল অসাম মণিপুরী ৱিমেন মৈরা পায়বী কোওর্দিনেসন কম্মিটি, অসাম মণিপুরী মুস্লিম য়ুথস ফ্রন্ট (এ এম এম ৱাই এফ), ৱিমেন্স এক্সন কম্মিটি ফোর ভিলেজ প্রোটেক্সন, মণিপুরী মুস্লিম দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অসাম, ওল অসাম মণিপুরী মুস্লিম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন নোংইন অমদি সোনাই এরিয়াগী য়ুথশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম অদু চথখিবনি। হৌখিবা ওগষ্ট ১৮দা কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা ৱারেপ্পখিবগী মতুংইন্না চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিদা সিনিয়র সিটিজনশিং, ওজাশিংসু শরুক য়াখি। তুংদা লখিপুর এস দি ওগী খুথাংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর, অসামগী গভর্ণর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদসু মেমোরেন্দম পীশিনখি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : লোকদাউননা মরম ওইরগা মোয়োক্লরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা লমশাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা খোংহাম্পাৎ খুনৌগী মীয়ামদা সোসল ৱর্কর খুন্দ্রাকপম কনবা মৈতৈনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া হৌখিবা ওগষ্ট ১৬তা তেংবাং পীরকখিবা অসিগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না সেবা দল য়ুথ ক্লব (এস দি ৱাই সী), খোংহাম্পাৎ খুনৌগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## সেল্ফ আইসোলেসন তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : এম য়ু মেন'স হোষ্টেলগী হোষ্টেলর অনীগা কন্টেক্ট লৈরুবা মীওই অমা ঙসি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মরম অসিনা হোষ্টেলর অনী অসিসু টেষ্ট তৌরগনি। মখোয়গা কন্টেক্ট লৈরুবশিংসু টেষ্ট তৌথোক্নবা থৌরাং তৌগনি। মরম অসিনা মেন'স হোষ্টেলগী হোষ্টেলরশিংনা সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা লৈনবা মুসুগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা, এম য়ু মেন'স হোষ্টেলগী হোষ্টেলর অনী অসি টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরে হায়রি।

# পীথোক্তনা লৈরিবা রিলিফকী শেনফম পীথোকপীয়ু : জে এ সী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১৭তা থোকখিবা তমথিরবা ঈশিং-ঈচাউনা কা হেন্না শোকহনখ্রবা লিলোং এ সীগী অৱাবা মায়োক্নখ্রবা মীয়ামদা পীফম থোকপা রিলিফকী শেনফম পীথোক্তনা লৈবগী মরম করিগীনো। লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা রিলিফকী শেনফম অসি অথুবদা পীথোকপীয়ু হায়না জে ইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সী)না ফোঙদোরক্লি।

জে এ সী অসিগী কো-কনভিনর এম দি জাকির হুসেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১৭তা থোকখিবা ঈচাউ অদুনা লিলোং এ সীগী মনুং চনবা নুঙ্গৈ, অতৌখোং, লৈফ্রাকপম, ওইনাম অমসুং হাওরৈবী হায়রিবা খুনশিং অসিগী অপূনবা য়ুম লিশিং ২ রোম, লৌ পরি লিশিং কয়া, ঙায়োক শঙ কয়া, য়ুমদা য়োকপা শা-ষন অমদি মাল-চাং কয়া মাঙতাকহনখ্রবনি। মদুগী চৈথেং ঙসি ফাওবা লৈরি। থোকখিবা ঈচাউনা অসিনা শোকহনখিবা অমদি অকায়অতোয় নংহনখিবা য়ুম কয়া ঙসিসু শেমজিনবা ঙমদনা লৈরি। কুমজা ২০১৭কী ঈচাউনা শোকহনখিবা অদুগীদমক মণিপুরগী ওইনা লুপা ক্রোর ১১০.৮৪ নেসনল দিজাষ্টর এন্দ রিলিফ ফন্দদগী পীরগনি হায়খিবগী মতুংইন্না লুপা ক্রোর ৫৫.৮১ থাদোরকপগী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হাউজিংগী লুপা ক্রোর ১.২১, এগ্রিকলচরগী ওইনা লুপা ক্রোর ৩.৬৮ অমসুং ফিশরিগী ওইনা লুপা ক্রোর ০.৮৫ য়াওরিবনি। ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরিগী ওইনা লুপা ক্রোর ৩.৬২ সেঙ্কসন তৌখ্রবা ফাওবদা লিলোং এ সীগী ওইনদি হৌজিক ফাওবা বেনিফিসরিগী লিষ্ট শেম্বীদনা লৈবগী মরম করিগীনো। অতৈ এ সী অয়াম্বগীদি বেনিফিসরিশিংদা পীফম থোকপা রিলিফকী শেনফম পীথোকখ্রে।

অদুগা লিলোং এ সীগীনা নমশিন্দুনা থম্বীরি। মসিনা তাকপদি শেনফম অসি মাঙহন্ননবা কনাগুম্বা খরনা হোৎনরব্রা হায়না চিংবা পোকই। কম্মিটি অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী লৈঙাক্তা রিলিফকী শেনফম অসি পীথোকপীনবা তকশিন্দুনা লাকখি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু শেনফম অসি অথুবা মতমদা পীথোকপীনবা হায়জখ্রে। শেনফম অসি মীওই খুৎপু খরনা লৌথোক্লবা হোৎনরম্বগী ৱাথোক ফাওবা লৈখ্রবনি। হৌজিক কনাগুম্বা খরনা লৌতুনরগা শেনফম অসি কায়থোক্লবা হোৎনরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মরমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এ সী অয়াম্বগী বেনিফিসরিশিংদা মাগী মাগী ফংফম থোকপশিং পীথোক্নখ্রবা ফাওবদা লিলোং এ সীগী ওইনদি হৌজিক ফাওবা বেনিফিসরিগী লিষ্ট ফোঙদবা অমদি আর টি আইগী খুথাংদা বেনিফিসরিগী লিষ্ট পীবীননবা থাখিবগী পাউখুমসু ঙসি ফাওবা মরী লৈনবশিংনা পীবীদ্রি। মরম অসিনা লৈঙাক্নসু হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা ঈচাউনা শোকহনবদগী ভিক্টিম ওইখ্রবশিংগী ফংফম থোকপা রিলিফকী শেনফম দি বি টিগী খুথাংদা ফংহনবীনবা আপিল তৌজরি। করিগুম্বা থা অসিগী মনুংদা বেনিফিসরিশিংগী রিলিফকী শেনফম ফংহন্দ্রবদি কম্মিটি অসিনা কোর্টতা ৱাকৎতুনা ফংফম থোকপশিং ফংননবা হোৎনরগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : অপোকপা মরুপকী মশা লোয়শঙ 'মীতৈ য়েলহৌমী ময়েক ইনাৎ শন্দাক লূপ (এম ৱাই এম আই এস এল)'গী থৌমী ওইনা মতম শাংনা ইনাৎ লাইনিং অমসুং ইরোল ইয়েক কন্ননবা হোৎনবদা হনবা লৈতনা কথোকপীরম্বা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক্তগী য়ুম্নাম ইবুংঙো মঙাংনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৩ দা লৈখিদবদা অপোকপা মরুপকী শঙলেন্দা অপোকপা মরুপ, এম ৱাই এম আই এস এলগী থৌমীশিংনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না মিনিট অনী তুমীন্না লৈদুনা কোক নোন্না ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায় য়াইরেল শিদবনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবসু থৌনিখি হায়না অপোকপা মরুপকী জেনরেল সেক্রেটরি নাওরেম তোম্বা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ওইল পম্পশিংদা...

*লামায় ১গী মখা...*জনশক্তি পার্টি (এন জে পি) দা চঙলকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী মতম অসিদা মীহুৎশিংনা অমগা অমগা অৱাই-অখুম তৌরগা লৈবা অসিনা মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবা হন্থরকপগী মরম ওইরি। পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফম কয়া থম্নরক্লিবা অসিদা থাজবীগনু। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরিবমখৈদি মরা চেৎপা লৈঙাক অমা লৈনবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## য়ুনাক্কোগী ইরাবন্ত য়াওনা মীওই মঙাগী...

*লামায় ১গী মখা...*আই পি সী অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেসতা মীওই ৫ অসি লান্না চিংশিন্দুনা য়াওহল্লে। মরম অদুনা মখোয়বু কেস অসিদগী এন্টিসিপেটরি বেল পীবিয়ু হায়না সবমিসন তৌরকখি হায়রি। লোয়ননা এস দি পি ও/ইম্ফাল ইষ্টনা ইরিলবুং পি এসকী পর্সনেলশিংগা লোয়ননা মীওইশিং অসিবু কেস অসিগা মরী লৈননা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফাননবা হোৎনরে হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি হায়রি।

কোর্টকী ওর্দরশিং অসিগী মতুংইন্না লুপা লিশীং ৪০/৪০গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা সিউরিটি অমমমগী বোন্দদা বেল পীখ্রবা মীওইশিং অসিগী হিয়ারিং পাঙথোক্লবগীদমক কোর্টনা কেসসিগী বেল/ষ্টেটস রিপোর্ট অমসুং কেস রেকোর্দশিং ও সী/ইরিলবুং পি এসনা পীখৎলক্নবা খঙহনখিবনি। কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না পুলিসকী মায়কৈদগীসু বেল ষ্টেটস রিপোর্টশিং কেস রেকোর্দশিংগা লোয়ননা পীখৎলকখিবদগী ঙসি কোর্টসিদা মীওই ৫দা পীখিবা এন্টিসিপেটরি বেলশিং অসিগী হিয়ারিং পাঙথোকখিবনি। অদুম ওইনমক মসিগী ওর্দরশিংদি রিজর্ভ তৌখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোক্কনি হায়রি। পনবা য়াবদি, ঙসি চখিবা হিয়ারিংদা এস দি পি ও/পোরোম্পাৎ য়াওনা মরী লৈনবা পুলিস পর্সনেলশিংসু কোর্টতা লাকখি।

## ঈ সী আইনা মীখলগী গাইদলাইন...

*লামায় ১গী মখা...*অহানবা ওইনা মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওইশিংনা সিক্যুরিটি দিপোজিৎ ওনলাইনদা পীশিন্নবগী খুদোংচাবা পীরি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস অমসুং য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা তোঙান-তোঙানবা কাঙলোন কয়া শেমখিবা মরম্না মীখলগী মতাংদসু পব্লিক মীটিং অমদি রোদ শো পাঙথোকপদা হান্নগা মান্নদবা মওং মতৌ কয়া উবা ফংগদৌরি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা মীপূম খুদিংমক সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্না চৎহনবগা লোয়ননা ফেস মাস্ক, সেনিটাইজর, থর্মেল স্কেনর, গ্লোব, ফেস সিল্ড অমদি পর্সনেল প্রোটেক্টিব ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) নচিংবা শীজিন্নগদৌরি।

ভোট থাদবা লাকপা মীওইশিংনা ভোটর রেজিষ্টরদা খূৎয়েক পীবা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) গী বটুনদা নল্লমদাইদা হেন্দ গ্লোব পীরগনি হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা মশা-মশাগী মরমদমগা চানগদবা মওংদা মীখলগী কাঙলোন শেমদুনা অথুবা মতমদা লাউথোরল্লগনি। মরী লৈনবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী নোদল ওফিসরগা তানরবা মতুংদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরশিংনা মীখল পাঙথোক্নবগী কাঙলোন শেল্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী সিট ১৩ হাংদুনা লৈরিবনি। হাংদুনা লৈরিবা সিটশিং অসি মেনশিন্ননবগীদমক করম্বা মতমদা বাই-ইলেক্সন পাঙথোক্কদগে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা লাউথোকপা লৈত্রি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : জে এন হোস্পিটাল ফার্মাসি এসোসিএসন্না শীন্দুনা তরেৎশুবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা জেনিমস ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিগা মরী লৈননা জে এন হোস্পিটাল ফার্মাসি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সী এস ঐচ সনাথোইনা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক হৌজিক মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা পেন্দেমিক ওইরবা লাইচৎ কোভিদ-১৯ অসিনা মরম ওইদুনা জেনিমসকী ব্লদকী অৱাৎপা লৈরকপদগী খরদা ওইরবসু মেনশিন্নবা অমদি ঈগী মথৌ তৌবা অনাবশিংদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংবা ওইনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা ঈ পীবগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

## থোং শঙ্গাখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* লম্বী ফাওনদনা লৈরম্বদু মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৫দগী সোসল ৱর্কর অবদুল বরিকনা মহাক্কী লন্নাই শেনফম পুথোক্তুনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী ময়াম্বা অবদুল লতিফকী মীংদা নৌনা শারবা উগী থোং অমা হৌনবী মতুংইন্না অবদুল বরিলনা রিবন কক্তুনা শঙ্গারবা মতুং মীয়ামদা ঙসি খূৎশিন্নখ্রে।

থোং শঙ্গাবা অদুদা মতম কুইনা থোংসি যাদবনা মরম ওইরগা লম্বী ফাওনরনি হায়বগী হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা লৈকায়গী মীয়াম্নসু সোসল দিষ্টেন্স ঙাক্না শরুক য়াখি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মৌলুবি ইস্লামুদিননা ফোঙদোকখিবদা, মোইরাং এ সীগী হৌজিক এম এল এ ওইরিবা পি সরতচন্দ্রনা ইলেক্সন কাদ্রিঙৈ মমাঙদা উনা শারম্বা থোংনি। মসিনা ৱার্দ নম্বর ৪, ৫, ৬কী লম্বীশিং থোং অসিনা মরম ওইরগা শম্নবনি অমদি ৱার্দ অনীসিগা অমদি লৌ পরি ৮০০ মুক চাউবা লৈথা লৌকোলগা ফাওনবা লম্বী অসিদা থোং য়াদবনা মরম ওইরগা কিলোমিটর ৩/৪ কোয়না চৎপদু ঙসিদগী চৎলরোই হায়না হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অবদুল বারিকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি লোয়ননা লৈঙাক্না পক্কা থোং ওইনা শাহনবীনবসু মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। অমরোমদা লৈকায়গী মীয়াম্নসু মহাক্কী তৌবীমলদা অপেনবা কয়া ফোঙদোক্নরকখি লোয়ননা তুংদসু মীয়ামগী থৌগল তৌবীখো হায়না থৌজাল পীনরক্লি।

# ওনলাইন ক্লাসনা ক্লাসরুম টিচিংগী মহুৎ শীনবা ঙম্লব্রা হায়বসি ৱাহং ওইরি

**অসেম বেবিচা**

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈশঙশিং থোঙ লোন্নখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্কী পাউতাক মতুংইন্না মহৈশঙশিংনা ওনলাইন ক্লাস তৌনরি। অদুবু ওনলাইন ক্লাস অসিনা তশেং-তশেংনা ক্লাসরুম টিচিংগী মহুৎ শীনবা ঙম্লব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি।

অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্নরকপদা মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অঙাং বিলিয়ন ১.২দি স্কুল কাদ্রে। অদুবু মহৈ-মশিন তমদবদি য়াদবনিনা এদ্যুকেসন সিষ্টমদা অওনবা অমা পুরক্তুনা ঈ-লর্নিং অসি হৌদোক্নরকপনি। রিছার্সকী মতুংইন্নদি ওনলাইন লর্নিংনা ইনফোর্মেসন হেন্না কল্লেক্ট তৌবা ঙম্বদা নত্তনা মতমসু মাঙহন্দে। অদুবু ওনলাইন ক্লাস অসিদা অঙাং পুম্নমক শরুক য়াহনবগী ফেসিলিটিদি লৈত্রি। নাগালেন্দদদি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ইন্টর্নেট ফেসিলিটি লৈতবা এরিয়াদা ষ্টদি মেটেরিএলশিং পীদুনা ইস্যু অসিদগী খরদা ওইরবসু পীরি। অদুবু ষ্টেট অসিদদি মহৈরোয় কয়া অমদি ইন্টর্নেট কন্নেক্টিভিটি নুংঙাইতবা অমসুং স্মার্ট ফোন পায়দবনা ওনলাইন ক্লাস নীংথিনা শরুক য়াবা ঙমদে। মসিগী প্রোব্লেম অসি ষ্টেট অসিদা চাউনা লৈবগা লোয়ননা পেরেন্টশিংদসু অচৌবা শাফু অমা পীরি।

অমরোমদা, হৌজিক চথরিবা ওনলাইন এদমিসন অসিসু পেরেন্টশিংদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা থেংনরি। খুঙ্গংগী এরিয়াশিংদা লৈবা খক্তা নত্তনা অর্বান এরিয়াদা লৈবা মমা-মপাশিংসু স্মার্ট ফোন পায়রগা ওনলাইন এদমিসন তৌবা হৈতবগী প্রোব্লেম কয়া অমসু থেংনরি। মসিনা লায়রবা অমদি ইনাক খুনবগী মরক্তা খেন্নবগী ক্লাস অমা খায়রকপা য়াবগী মমি তারকপসু য়াই। মসিদা নত্তনা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বা অঙাংগা, গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তম্বা অঙাংশিংগা খেন্নবা উরকপসু য়াই। মসিনা তুংগী জেনরেসনদা অশোয়বা খোঙথাং অমা ওইহল্লক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বসু লৈ। ওনলাইন ক্লাসনা কৈদৌনুংদা ক্লাসরুম টিচিংগী মহুৎ শীনবা য়ারোই খল্লি। মমা-মপা ওইবশিংগা অঙাংশিংগা কয়াম কুইনা কম্প্যুটর অমদি স্মার্ট ফোনগী মমাঙদা ফমদুনা লৈবা ঙমগনি। প্রি-নর্সরি, নর্সরি, ক্লাস ৱানগী ফাওবগী অঙাংদি পেরেন্টশিং য়াওদনা মতৌ করম্না কম্প্যুটর অমদি স্মার্ট ফোনশিং মথন্তা শীজিন্নগনি। লায়রবা ইমুংগী অঙাং কয়াদি ওনলাইন ক্লাস শরুক য়াবা ঙমদবা কয়াসু য়াওরিবনি।

হন্দক এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা লাইরিক কৌবা মোবাইল এপ অমা হাংদোকখিবসিনা ক্লাস ৱানদগী টুয়েল্ভ ফাওবদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা কান্নবা লৌবদি য়ারগনি। এপ অসি বোসেম অমসুং কোসেমদা এফিলিএট তৌবা স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিংগীনি। ওনলাইন ক্লাস অসিনা এদ্যুকেসন সিষ্টম অসি চুম্না চৎলিব্রা চৎত্রিবরা হায়বসি পেরেন্টশিংগী অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি হায়না অখঙ-অহৈশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্নরক্লি।

## তোনেন মৈতৈনা স্পেসল জজ, এন দি এন্দ পি এস ওইরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) : ঙসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বরনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুর জুদিসল সর্ভিস (এম জে এস) গ্রেদ ১ অমসুং ২ ওফিসর খরগী ত্রান্সফর অমদি পোষ্টিংদা ৱাথোক ওইরিবা লুখোসৈ জৌ দ্রগ কেসকী ত্রাইয়েল চথরিবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর (লম্ফেলপাৎ) কী স্পেসল জজ ওইনা হায়কোর্টকী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈবু ত্রান্সফর তৌখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীখ্রবা অতৈ এম জে এস ওফিসরশিংনা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) এ নৌতুনেশ্বরিনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, থৌবাল ওইরগা মফমসিদা লৈরম্বা য়ুমখাম রোঠরনা হায়কোর্টকী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল), সী জে এম/ইম্ফাল ৱেষ্ট ওইরম্বদগী প্রমোসন ফংলবা লমখনপাও তোন্সিংনা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস), ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট, মণিপুর, সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), ইম্ফাল ৱেষ্ট ওজেস মুতুমনা এদিশনল সেসন্স জজ (ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট) ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন, মণিপুর সী জে এম কম সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন) চুড়াচান্দপুর লেটখো কিপগেননা এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ (ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট), মণিপুর ৱেষ্ট, সি জে এম-কম-সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), সেনাপতি সোনিকুমার নেপ্রমনা সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), ইম্ফাল ৱেষ্ট, সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), ইম্ফাল ইষ্ট ৱাই সোমোরজিৎনা সি জে এম/ইম্ফাল ৱেষ্ট, সি জে এম-কম-সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন (তমেংলোং) জাংগৌলিয়েন হাওকিপনা সি জে এম-কম-সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), চুড়াচান্দপুর, সেক্রেটরি, দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ), থৌবাল অশেম তরুনাকুমারীনা সি জে এম-কম-সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), সেনাপতি অমসুং সেক্রেটরি, দি এল এস এ/ইম্ফাল ৱেষ্ট কে নিরোজিৎ সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন) ইম্ফাল ইষ্ট ওইরগনি হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না সি জে এম/ইম্ফাল ইষ্ট নিংথৌজম লনলৈমাদা সেক্রেটরি ইন চার্জ দি এল এস এ/ইম্ফাল ইষ্টকী থবকসু হাপচিনখিবগা লোয়ননা সি জে এম-কম-সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), বিষ্ণুপুরদনা ইন-চার্জ সেক্রেটরি, দি এল এস এ/বিষ্ণুপুরগী থবকসু হাপচিনখ্রে। অদুগা সী জে এম-কম-সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), থৌবাল কুমারি অথোকপম শান্তদনা ইনচার্জ সেক্রেটরি, দি এল এস এ, থৌবাল ওইহনখ্রে।

## কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা ৩ শিখ্রে, শিখিবা মীশিং...

*লামায় ১গী মখা...* আই আর এলদা ১ অমসুং ববিনা দাইগ্নো-ষ্টিক্সতা কেস ১৯ থেংনখিবনি।

মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ৫০, ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৬, বিষ্ণুপুরদগী ৫, চান্দেলদগী ৮, থৌবালদগী ৫, চুড়াচান্দপুরদগী ২, ককচীংদগী ১ অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী ১ য়াওরি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মীওই অমখক অতোপ্পা ষ্টেটতগী হল্লকখিবনি। অতৈ মীওই ৯৭তি মপান্দা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তুনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু কোভি ক্যের সেন্টরশিংদা থমদুনা লায়েংবা হৌখিবগা লোয়ননা মীওইশিং অদুগা নক্করুবা অমসুং লোয়নখিবা অতৈ মীওই পুম্নমক্কী খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাবা ফগৎলকপগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ২৫৯ তোঙান-তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখি। নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রবশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১০৭, সী সী সী লম্বোই খোংনাংখোঙদগী ৭১, য়ুনাকোদগী ৩৪, নোনেদগী ১৩, ককচীংদগী ১৬, এন আই ঈ এল আই টি চুড়াচান্দপুরদগী ১৪ অমসুং সেনাপতিদগী ৪নি।

মীওইশিং অদু আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইবদগী দিসচার্জ তৌখিবনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩,৭৩৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১,৩১২ য়াওনা পোজিটিভ কেস ৫,০৪৯ শুরে। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২,৭৪৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫১৭ য়াওনা মীওই ৩,২৬১ নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। এক্টিভ কেস ১,৭৬৮ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৯৭৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৭৯৪ য়াওরি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক অনাবা মীওইশিং ফগৎলকপগী চাং চাদা ৬৪.৫৮নি হায়রি।

## কোভিদ-১৯দগী এৱ্যার্নেস পীনবা...

*লামায় ১গী মখা...* তল্লি। পাউচে অসিনা বলদীপ নিংথৌজমগা অখন্নবা ৱারী শারুবদা মহাক্না হায়খি কোরোবোই হায়রিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা এয়্যার্নেস পীনবগী গেম অসি শানবা আইদিয়া মহাক্কী মখুরা রাকেশ্বরনা পীবিরকখিবনি। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই কয়ানা ময়ূমদা হল্লকপা মতমদা গেম অসি শানদুনা কোভিদ-১৯দগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী এৱ্যারনেস পীনবগী পান্দমদা গেম অসি শেমখিবনি। কোরোনা ভাইরসতগী মতৌ করম্না য়াম্না লাইনা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বসি কোরোবোই গেম অসি শান-শান্ননা খঙবা য়াই। কোরোবোই হায়রিবা গেম অসিদা য়াওরিবা করেক্টর নুপামচা অসিনা ঙকশমদা লৈরুম ফী অমা য়েৎলি। মসিগী ৱাখল্লোল অসি লোকদাউনগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লমদম অসিদা শাজবা লৈরুম ফী ঙকশমদা য়েৎতুনা মাস্ক ওইনা উপ্পুনা শীজিন্নখিবা উরুবদগী লাকখিবনি হায়খি।

কোরোবোই থ্রি দি গেম অসিদা লৈরুম ফী ঙকশমদা য়েৎপা নুপামচা অমনা অতোপ্পা মপান লমদগী লম্বীদা হল্লকপা মতমদা কোভিদ-১৯দগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্লগা লাক্কনি হায়বগী মতাংদা গেম অসিগী মতেংনা খঙহন্নবা হোৎনৈ। গেম অসিদা নুপামচা অসিনা লম্বীদা চেন্দুনা চৎপদা লম্বীগী ময়াই, মতাই অমদি তোঙানবা মফমশিংদা কোরোনাভাইরস লৈরমগনি মদুবু থেংলমদনা অমদি লম্বীদা লৈরম্বা পুলিসপু শোক্লমদনা চেনগদবনি। করিগুম্বা কোরোনাভাইরসতা থেংলুরগদি নুপামচা অদুনা ফংলম্বা পোইন্ট হন্থখিগনি। তোয়না-তোয়না কোরোনাভাইরস অমদি পুলিসতা থেংলুরবদি পোইন্ট লোইখিদুনা নুপামচা অদু শীগনি। লোকদাউনগী চৎন-কাংলোন ঙাক্লিবা পুলিসতা করিগুম্বা থেংলগসু মহাক্কী পোইন্ট হন্থখিগনি। মসিনা তাক্লিবদি লোকদাউনগী চৎন-কাংলোন চৎনহন্নবা ঙাক্লিবা পুলিসশিংনা হায়বা ৱা ইনগদবনি অমদি লোকদাউনগী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎতে হায়বনি। লোয়ননা নুপামচা অদুনা চেল্লিবা লম্বীদা হেন্দ সেনিটাইজর, চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি হীদাক-লাংথক কয়া লৈরমগনি মদু লৌদুনা চৎলবদি পোইন্ট কয়া ফংদুনা নুপামচা অদু হিংবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। চেনবা মতমদা সেনিটাইজর লৌরবদি মিনট খরগী ওইনা নুপামচা অদুদা অকোয়বা অঙৌবা মচুগী গার্দ অমা থোক্লক্তুনা কোরোনভাইরসকা থেংনরগা চেনবা অমদি হিংবা ঙমগনি।

গেম অসি শেম্নবা হোৎনবদা দোক্যুমেন্টেনসন শাবা অমদি এপ্লিকেসন অসি শেম্নবা হোৎনবদা থীজিন-হুমজিন্নবা হোৎনবগা থারগা পূন্না থা অহুমলোম চঙখি হায়রি। ঙরাং খক্তদা প্লে ষ্টোরদা থাগৎখিবা গেম অসি রেকোর্দ অমা ওইনা মীওই লীশিং অমা হেনবনা দাউনলোদ তৌখ্রে। অনৌবা ৱাখল্লোল অমগা লোয়ননা গেম অসি শাবদা মায়পাকলকপা অসিগী ওইনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা প্রোগ্রামিং অমদি কোদিং করম্না তৌগনি তাকপীরকপা মখুরা অমুজাও অমদি গেম অসি শানবগী আইদিয়া পীবিরকখিবা মহাক্কী কাকা রাকেশ্বর অমদি মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অমসুং ইমুং-মনুংগী ক্রেদিট পীনিংই। কোভিদ-১৯দগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী ফজরবা পাউজেল অমা পীরিবা কোরোবোই গেম অসি গুগল প্লে ষ্টোরদগী দাউনলোদ তৌদুনা শানবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।